# চাইনানা নেপালগা তাইনবা ঙমখৈ শরুক্তা লম খোপচিন্নবা হোৎনরক্লিবা থৌওংশিং খুদক্তগী লেপকদবনি: মিনিষ্ট্রি



কাথমান্দু, মে ১৯ (এজেন্সী) :

নেপাল অমসুং চাইনাগা তাইনবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা বৈজিংনা লম খোপচিন্নবা থবক থৌওং কয়া চথরক্লিবা অদু খুদক্তগী লেপকদবনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফেয়র্সনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা বোর্দর পিল্লরশিং অমুক হন্না য়ুংশিনগদবনি হায়রি।

নেপালগী ঙমখৈ শরুক্তা লৈবা দোলখা দিষ্ট্রিক্ট মনাক নক্না লৈবা চাইনা অমসুং নেপাল লোন্নবগী মফম তাক্লিবা বোর্দর পিল্লর খরা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা মফমদুদা লৈরমদবা থেংনরে। মসি চাইনিজ আর্মীনা মখোয়গী খুদোংচাবা য়েংনবগীদমক তুমিন্না লৌথোকখিবা ওইরম্বা য়াই। ঙমখৈগী শরুক্তা মিলিটরি পর্সনেলশিং নত্তনা অতোপ্পা মীওইশিং লাক্লগা বোর্দর পিল্লর মাঙহনবা ঙম্লোই।

মরম অদুনা বৈজিংনা চথরক্লিবা থবক থৌওংশিং অসি খুদক্তা লেপকদবনি। অমদি ইন্তরনেস্নেল বোর্দরগী লৈরিবা চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎনবা হোৎনগদবনি হায়রি। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী রিপোর্টর অমগী দেটা মতুং ইন্না চাইনা অমসুং নেপাল ঙমখৈগী শরুক অসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌরগা ময়েক শেংনা লৈরক্লবা অমনি।

হৌখিবা কুমজা ১৯৬০ দা লৈবাক অনীগী মরক্তা য়ানবা পুরক্তুনা ঙমখৈগী শরুক লেপথোক্লখ্রবা মতুং কুমজা ১৯৬১ দা বোর্দর ট্রিটি তৌনখিবগা লোয়ননা য়ানখিবা মফমশিংদা পিল্লর য়ুংবগী থবক চখিবনি। কুমজা ১৯৬১ দা নেপাল অমসুং চাইনাগী মরক্তা য়ানখিবগী মতুং ইন্না তাইনবা ঙমখৈগী শরুক্তা বোর্দর পিল্লর ৭৬ পার্মিনেন্ট ওইনা য়ুংখিবনি। অদুবু চাইনানা মতমদুগী য়ানখিবশিং কাওথোক্লগা লনাই ওইবা মওংদা অমদি মখোয়গী থবক থৌওংদা নুংঙাইনবা হোৎনদুনা ঙমখৈগী শরুক অমুক হোংদোক হোংজিন তৌহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি লাইবকথিবনি।

মমাং চহীগী সেপ্তেম্বর থাদসু চাইনানা নেপালগী লমদা তুমিন্না লম খোপচিল্লম্বগা লোয়ননা নেপাল ঙমখৈ শরুক্তা বিল্ডিং ১১ শাজিল্লম্বগী থৌদোক থোকখ্রে। নেপালনা চাইনাগী বিল্ডিং শারিবা মফম অদু মখোয়গী ঙমখৈ শরুক্তনি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু চাইনদি মদু য়াদনা লৈরি। মদুদগী নাকল অনীগী মরক্তা ঙমখৈগা মরী লৈনবা থবক থৌওংশিংদা উংখৎনবগী চাং হেনগৎলকখিবনি।

চাইনাগী কা হেনবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা নেপালগী মীয়াম্না লৈবাক অদুদা লৈরিবা চাইনিজ এম্বেসিবু তাম্থোকখিবগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা লান্না লম খোপচিনবগী থবক লেপকদবনি হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

চাইনানা নৌনা শাজিল্লম্লিবা বিল্ডিংশিং অদুগী মনাক্তা হান্না য়ুংদুনা থম্লবা নেপালিষ্ট বোর্দর পিল্লর মফম খঙদনা মাঙখ্রে। নেপালিষ্ট ওথোরিটিশিংনা মফমদুদা চঙশিনদুনা শেম শাবগী থবক পায়খৎলিবা অদু লেপনবা খঙহল্লবসু চাইনাগী মায়কৈদগী য়াখিদবগা লোয়ননা মফমদুদা খূৎলাই পায়বা চাইনিজ মিলিটরি চঙশিল্লক্লগা নেপালগী ওফিসলশিং অদুবু মফম অদুদগী হন্দোক্লবা কিহল্লকখি।

হুমলা দিষ্ট্রিক্তা চাইনানা লোনা য়াদবা মওংদা বিল্ডিং ১১ শাজিল্লম্বা অদুগী মতাংদা উংখৎনরিঙৈ মরক্তা লৈবাক অদুগী চাইনাগা তাইনবা তোঙান তোঙনবা দিষ্ট্রিক্টশিং মরু ওইনা গোরখা, দোলাখা, দরচুলা, সিনধুপালচোক, রসুৱা অমসুং সানখুৱাসভাদসু চাইনানা লোনা য়াদবা মওংদা লম খোপচিনবগী থবকশিং চখবা থেংনরে হায়না নেপালগী মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচরগী সর্ভে রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি। হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা নেপালগী মায়কৈদগী চাইনাদা অকনবা ৰাফম ফোঙদোকপদি লৈত্রি।

# মীয়াম্না চেকশিনদবদগী কোভিদ-১৯ না অমুক হন্না চৈথেং পীরবনি: সৌমিয়া স্বামিনাথন




জেনেভা, মে ১৯ (এজেন্সী) :

মালেমদা লায়েংবা ঙমদবা লায়না মখল অমনি হায়না মীয়াম্না কীনরম্বা ঐচ আই ভি/এইদসকী মতুংদা হৌজিক খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীরক্লিবা অসি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনি। মীয়াম্না চেকশিনবা ৰাৎপদগী লায়না লাইচৎ অসিনা মালেমদা অমুক হন্না চৈথেং পীরকখিবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়না ইন্দিয়ন ওরিজিন সাইটিষ্ট সৌমিয়া স্বামিনাথননা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঐচ আই ভি/এইদসপু মতম অমদা মালেমগী মীয়াম্না য়াম্না কিন্না লৌনরম্মী অমদি লায়না লাইচৎ অসি শন্দোরক্তনবা য়াম্না চেকশিন্নখি। অদুমওইনমক ঐচ আই ভি/এইদসতগী হেন্না শাথিরিবা কোরোনা ভাইরসকী মতাংদদি মালেমদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না চেকশিনবা ৰাৎপগী মমি অমা চাওনা তারি।

ইন্দিয়াদা হন্দক কোভিদ-১৯ গী অনীশুবা ৰেভনা অকনবা চৈথেং পীরক্লিবা অসিসু লৈঙাক্না শোয়বদগী থোকখিবনি। টাইৱানদা কোভিদ-১৯ অহানবা ৰেভত্তী হৌরগা অনীশুবা ৰেভকী মতম অসি ফাওবদা মীওই ১০০ ফানা শিদ্রি। মসি লৈবাক অদুগী মীয়াম্না চেকশিনবদগীনি। অদুবু ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ গী অনীশুবা ৰেভনা অকনবা চৈথেং পীবা হৌরকখ্রবা মতুং য়ুম য়ুমদগী মপান থোক্তনা লৈগদবা মতম অদুদা লৈবাক অদুগী ষ্টেট ৫ দা ইলেক্সন পাঙথোকখিবা অমদি লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা কুম্ভোশিং পাক শান্না পাঙথোকখিবা অদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা লাকনা ফানা ঙমদনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোরকপনি।

অমরোমদা লায়না লাইচৎ অসিবু কন্ট্রোল তৌনবগীদমক তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা ভেক্সিন মখল কয়া পুথোক্লরি। পুথোক্লিবা ভেক্সিনশিং অসিনা লায়না লাইচৎ অসিবু মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমগদ্রা হায়বদুগী মতাংদদি লৈবাক অমত্তনা চপ চাবা পাউখুম পীবা ঙমদ্রি। পুথোক্লিবা ভেক্সিনশিং অসিনা কোভিদ-১৯ কন্ট্রোল তৌবা ঙমগনি হায়বগী থাজবদি মহাক য়াওনা সাইটিষ্ট কয়াদা লৈ হায়রি।

# মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 164,970,260 | +85,984 | 3,420,916 | +2,691 | 145,173,804 | 16,375,540 |
| 1 | USA | 33,774,945 | | 601,330 | | 27,253,327 | 5,920,288 |
| 2 | India | 25,496,330 | +1,186 | 283,276 | | 21,986,363 | 3,226,691 |
| 3 | Brazil | 15,735,485 | | 439.379 | | 14,247,609 | 1.048.497 |
| 4 | France | 5,898,347 | | 108,040 | | 5,181,486 | 608,821 |
| 5 | Turkey | 5,139,485 | | 45,186 | | 4,971,245 | 123,054 |
| 6 | Russia | 4,965,676 | +7,920 | 116.965 | +390 | 4,581,787 | 266.924 |
| 7 | UK | 4,450,392 | | 127,691 | | 4,281,947 | 40,754 |
| 8 | Italy | 4,167,025 | | 124,497 | | 3,727,220 | 315,308 |
| 9 | Spain | 3,619,848 | | 79,502 | | 3,342,024 | 198,322 |
| 10 | Germany | 3,615,896 | | 87,148 | | 3,340,400 | 188,348 |
| 11 | Argentina | 3,371,508 | | 71,771 | | 2,992,325 | 307,412 |
| 12 | Colombia | 3,144,547 | | 82,291 | | 2,947,661 | 114,595 |
| 13 | Poland | 2,859,261 | +2,344 | 72,250 | +329 | 2,610,932 | 176,079 |
| 14 | Iran | 2,792,204 | +12,789 | 77.765 | +233 | 2,272,719 | 441,720 |
| 15 | Mexico | 2,385,512 | +2,767 | 220,746 | +257 | 1,905,591 | 259,175 |
| 16 | Ukraine | 2,165,233 | +5,138 | 48,696 | +227 | 1,899,446 | 217,091 |
| 17 | Peru | 1,897,900 | | 66.770 | | 1,720,665 | 110.465 |
| 18 | Indonesia | 1,753,101 | +4,871 | 48,669 | +192 | 1,616,603 | 87,829 |
| 19 | Czechia | 1,655,414 | +1,191 | 29,948 | +6 | 1,602,118 | 23,348 |
| 20 | South Africa | 1,617,840 | | 55,340 | | 1,527,968 | 34,532 |
| 21 | Netherlands | 1,606,319 | | 17,473 | | 1,386,360 | 202,486 |
| 22 | Canada | 1,338,141 | | 25,018 | | 1,248,382 | 64,741 |
| 23 | Chile | 1,295,862 | | 27,965 | | 1,231,047 | 36,850 |
| 24 | Philippines | 1,159,071 | +4,700 | 19,507 | +136 | 1,089,613 | 49,951 |
| 25 | Iraq | 1,146,948 | | 16,029 | | 1,056,885 | 74,034 |
| 26 | Romania | 1,073,679 | +707 | 29,716 | +54 | 1,028,554 | 15,409 |
| 27 | Sweden | 1,047,143 | | 14,301 | | 902,442 | 130,400 |
| 28 | Belgium | 1,034,714 | +1,819 | 24,749 | +26 | 922,277 | 87,688 |
| 29 | Pakistan | 886,184 | +3,256 | 19,856 | +104 | 799,951 | 66,377 |
| 30 | Portugal | 842,767 | | 17,011 | | 803,759 | 21,997 |
| 31 | Israel | 839,208 | +41 | 6,395 | +3 | 832,208 | 605 |
| 32 | Hungary | 799,588 | +633 | 29,329 | +52 | 648,513 | 121,746 |
| 33 | Bangladesh | 783,737 | +1,608 | 12,248 | +37 | 726,132 | 45,357 |
| 34 | Jordan | 726,432 | | 9,295 | | 710,445 | 6,692 |
| 35 | Serbia | 707,719 | | 6,710 | | 681,248 | 19,761 |
| 36 | Japan | 692,702 | +5,229 | 11,851 | +227 | 609,086 | 71,765 |
| 37 | Switzerland | 684,954 | +1,554 | 10,755 | +4 | 626,589 | 47,610 |
| 38 | Austria | 639,054 | +899 | 10,508 | +9 | 618,798 | 9,748 |
| 39 | UAE | 550,029 | +1,348 | 1,639 | +2 | 530,085 | 18,305 |
| 40 | Lebanon | 536,554 | | 7,641 | | 502,762 | 26,151 |
| 41 | Morocco | 515,420 | | 9,105 | | 503,861 | 2,454 |
| 42 | Malaysia | 485,496 | +6,075 | 2,040 | +46 | 436,116 | 47,340 |
| 43 | Nepal | 472,354 | | 5,411 | | 352,414 | 114,529 |
| 44 | Saudi Arabia | 435,027 | | 7,188 | | 419,761 | 8,078 |
| 45 | Bulgaria | 415,326 | | 17,379 | | 367,464 | 30,483 |
| 46 | Ecuador | 411,466 | | 19,877 | | 354,499 | 37,090 |
| 47 | Slovakia | 388,138 | +246 | 12,262 | +14 | 372,069 | 3,807 |
| 48 | Greece | 381,266 | | 11,534 | | 340,612 | 29,120 |
| 49 | Belarus | 380,089 | +1,378 | 2,732 | +11 | 370,135 | 7,222 |
| 50 | Panama | 371,684 | | 6,300 | | 359,848 | 5,536 |
| 51 | Kazakhstan | 364,048 | +2,018 | 4,124 | +29 | 323,816 | 36,108 |
| 52 | Croatia | 351,997 | +1,000 | 7,792 | +27 | 338,982 | 5,223 |
| 53 | Bolivia | 337,441 | +2,617 | 13,635 | +69 | 275,069 | 48,737 |
| 54 | Georgia | 333,601 | +1,160 | 4,519 | +20 | 313,651 | 15,431 |
| 55 | Azerbaijan | 330,701 | | 4,802 | | 316,439 | 9,460 |
| 56 | Tunisia | 328,528 | | 11,971 | | 290,282 | 26,275 |
| 57 | Paraguay | 318,251 | | 7,802 | | 264,326 | 46,123 |
| 58 | Palestine | 304,532 | +458 | 3,448 | +11 | 295,643 | 5,441 |
| 59 | Kuwait | 293,574 | | 1,701 | | 279,924 | 11,949 |
| 60 | Costa Rica | 290,920 | | 3,673 | | 225,158 | 62,089 |

# হমাজ এটেক্তা লৈখিদ্রবা মীওইগী ইমুং মনুংগা ৱারী শান্নখ্রে

জেরুসালম, মে ১৯ (এজেন্সী) :

হৌখিবা মে ১১ দা পেলিষ্টিনিয়ন মিলিটেন্টশিংনা চথরকখিবা রোকেট এটেক অমদা লৈখিদ্রবা ইন্দিয়ন সিটিজিন অমগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা ইজ রেলগী প্রসিদেন্ট রিয়ুভেন রিভলিনগা ৱারী শান্নখ্রে হায়রি।

গাজাদা পেলিষ্টিনিয়ন মিলিটেন্টশিংনা মে ১১ দা চথরকখিবা এটেক অমদা কেরলাগী ইদুকি দিষ্ট্রিক্তগী মশাগী চহী ৩০ রোম শুরবী সৌমিয়া সন্তোস লৈখিদবনি। মহাক সাওদর্ন ইজরেলি কোষ্টেলদা লৈবা মীওই অমগী য়ুমদা হেলপর ওইনা থবক তৌদুনা লৈখিবনি।

মে ১১ গী নুমিদাংৱাইরমদা লৈখিদ্রবা সৌমিয়া অমসুং মহাক্কী মপুরোইবা ভিদিও কোলগী খুথাংদা ৱারী শান্নরমখি। ৱারী শান্নরিঙৈদা খঙহৌদনা য়ুম অদুগী মনাক্তা তাশিল্লকখিবা রোকেট অমা পোকখায়রকদগী মহাক্না লৈরিবা য়ুম অদু নিংখাইরকপদগী নন্দুনা শিখিবনি।

মহাক্না লৈখিদবা অদুদা ইজ রেলগী প্রসিদেন্ট রিভলিননা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা টেলিফোনগী খুথাংদা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা ৱারী শান্নখি। লৈখিদ্রবী অদুগী হকচাং অদু মে ১৪ দা অখন্নবা ফ্লাইট অমদা ইন্দিয়াদা থারকখ্রে। ইন্দিয়াদা লৈরিবা ইজ রেলগী এম্বেসেদর ডা. রোনমাংকানসু নুমিৎ ৪ নিগী মমাংদা লৈখিদ্রবগী মপুরোইবগা ৱারী শান্নখিবগা লোয়ননা ইমুং অমনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোক্লমখি।

লৈখিদ্রবগী মপুরোইবদা ইজরেল গভর্ণমেন্টনা পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা খন্নরি হায়না এম্বেসেদর মালকানা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তবা ওইরসনু হায়খি।

# ঙমখৈশিং হাংদোক্লবা ফিরেপ লৌখ্রে

লন্দন, মে ১৯ (এজেন্সী) :

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না মরম ওইরগা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা লৈরিবা লৈবাকশিংগী ঙমখৈগী শরুক্তা চথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা কয়া থম্লমখিবা অদু অমুক হাংদোক্লবা ফিরেপ লৌখ্রে হায়রি।

ঙমখৈগী শরুক্তা চথোক চৎশিন তৌবদা খন্নখ্রবসু অখন্নবা ঙাক্লা চৎকদবা ৰাফম খরা য়াওরি। মদুগী মনুংদা মরু ওইনা ওথোরিটিগী অয়াবা লৌরবা হেল্থ সার্ভিসকা মরী লৈনবশিং নৎত্রগা কোভিদ ভেক্সিনগী দোজ মপুং ফানা কাপখ্রবা মীওইশিংদি চথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা লৈরোইদৌরি।

মেম্বর ২৭ লৈবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা য়ুনিয়ন অদুগী মনুং চন্না লৈরিবা অমদি অতোপ্পা লৈবাক্তগী লাকপা মীওইশিং চঙথোক চঙশিন তৌবদা অথিংবা থম্লম্বা অদুঈ য়ু মনুংগী ওইনদি খরা কোমথোক্লে হায়রি।

# য়ু এস সিভিল রাইটস লিদরশিংনা ইন্দিয়াদা কোভিদ ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন ৬০ পীনবা তকশিনখ্রে



ৱাশিংটন, মে ১৯ (এজেন্সী) :

য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেনদা লৈবাক অদুগী মমিং লৈরবা সিভিল রাইটস লিদর কয়ানা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন মিল্লিয়ন দোজ ৬০ পীদুনা মতেং পাংনবা অকনবা মওংদা তকশিনখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মমিং লৈরবা আমেরিকান সিভিল রাইটস লিদর রেভরেল জে সী অলজেক্সননা ফোঙদোকখিবদা মালেমগী ওইনা হৌজিক খ্বাইদগী ওইনা মীপায়নিংঙাই ওইরিবা অসি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনি। লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা মীওই কয়া শিহনখ্রে। মখা তানসু শিহল্লকপা য়াবগী অকিবশিং লৈরি। কোভিদ-১৯ গী অনীশুবা ৰেভনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীরিবা লৈবাক অসি ইন্দিয়ানা ওইরি।

ইন্দিয়াদা ওইরক্লিবা ফীভম অসি মালেমগী লৈবাকশিংনা হোৎনদুনা কন্ট্রোল তৌহৌদ্রবদি লৈবাক খুদিংমক্তা খুদোংথিবা কয়া থোকহল্লকপা য়াই। পেন্দামিক অসিনা চৈথেং পীরক্লিবা অসি অখন্নবা লৈবাক অমা খক্তা নত্তে। লায়না লাইচৎ অসিনা কুচু অমদি লাইনিং লাইশোন য়েংলগা শন্দোকপা নত্তে। য়ু এসতা কোভিদ-১৯গী অহানবা ৰেভনা অকনবা চৈথেং পীখিবা মতমদা ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগীদমক মতেং কয়া পাংলকখি। মরম অদুনা য়ু এসনসু ইন্দিয়াদা অঙম্বা মতেং পাংফম থোকই।

আমেরিকান এসোসিয়েসন ওফ মল্টি ইথনিম ফিজিসিয়ানগী নেস্নেল চ্যেরমেন ডা. বিয়জ প্রাভাকরনা ফোঙদোকখিবদা য়ু এসতা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন মরাং কায়না পুথোক্লি। ইন্দিয়াবু মপুং ফানা লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্লবা মতমদা লায়চৎ অসিনা মালেমগী মীয়ামদা মখা তানা চৈথেং পীরক্লোই হায়বদি য়াই। অদুবু ইন্দিয়াদা ওইরিবা ফীভম অসি কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রিঙৈদা য়ু এসতা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লে হায়না তুমিন্না লৈথোক্লবদি তুংদা চাওনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরক্কনি।

য়ু এস য়াওনা অতোপ্পা মালেমগী লৈবাক খরনা ইন্দিয়াদা মতেং পাংবা হৌখ্রে। ইন্দিয়াদা হৌজিক খ্বাইদগী হেন্না মথৌ তারিবা অসি পেসেন্টশিংনা লৈনবা বেদ অমদি ওক্সিজেননি। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লৈবাকশিং য়াওনা য়ু কে অমসুং য়ু এসনা ইন্দিয়াদা ওক্সিজেন কনসেন্ট্রেটর কয়া মতেং পীখ্রে। হায়রিবা অসিনা মপুং ফানা লায়না লাইচৎ অসি মায়োক য়াবা ঙম্লোইদবনা মরম ওইরগা য়ু এসনা পুথোক্লিবা এষ্ট্রাজেনেকা ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন ৬০ ইন্দিয়াদা পীদুনা মতেং পাংগদবনি হায়রি। পনবা য়াবদি ইন্দিয়াদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ২,৭৮,৭১৯ শিহনখ্রে।

# টাইৱান ষ্ট্রেইটতা য়ু এসনা ৱার সিপ থৌজিল্লক্তুনা ঈং তপ্পগী শক্তম থুগাইনবা হোৎনরে: চাইনা



বৈজিং, মে ১৯ (এজেন্সী) :

টাইৱান ষ্ট্রেইটতা মতম খরা ঈং তপ্পা অমদি চয়েৎনবা থৌদোকশিং থোকখিদ্রবা মতুং য়ু এসনা মফমদুদা ৱার সিপ অমুক হন্না থৌজিল্লকপনা মরম ওইরগা ঈং তপ্পগী ফীভমদা চাওনা অকায়বা থোকহল্লকপা য়ানা লৈরে হায়না চাইনানা মরাল শীরকখ্রে।

অমরোমদা ৱাশিংটননা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না টাইৱান ষ্ট্রেইটতা হান্না রুটিন ওইনা চখদুনা লাকখিবা থৌরমশিংগী মনুং চন্না য়ু এস নেভিগী অরলেঘ বরকিদ-ক্লাস গাইদেদ মিসাইল দেষ্ট্রোয়র য়ু এস এস কর্টিস ৱিলভর চঙশিনখিবনি। মসিদা য়ু এসনা লোগী ৱাংমদা অহেনবা থবক অমত্তা তৌবা লৈখিদে হায়রি।

চাইনাগী ইষ্টর্ন ঠিয়েটর কন্মান্দগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা টাইৱান ষ্ট্রেইটতা য়ু এসনা মখোয়গী ৱারপিস থৌজিল্লকখিবগী থৌওং অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। মসিনা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী চাং হেনগৎহল্লকপা য়াই। চাইনিজ ফোর্সশিংনা য়ু এস ৱার সিপ অদুনা চৎখিবা লম্বীশিং কুপ্পা শেন্নদুনা লৈরি। মখা তানসু য়ু এসকী থবক থৌওংশিংদা চাইনানা য়েংশিনখিগনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা টাইৱান ষ্ট্রেইটকী খা থংবা শরুক্তা য়ু এসকী ৱার সিপ অমা থৌজিল্লকখি। মদু খুদোংথিনিংঙাই ওইদে, রুটিন ৱার্কনি।

# খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং লেপ্পবা তকশিনখ্রে

পেরিস, মে ১৯ (এজেন্সী) :

ইজরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়নগী মরক্তা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কা হেন্না উংখৎনরক্লিবা অদুনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া অৱাফমদা তাহল্লি। নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লরিবা অদু মতম খরগী ওইনা লেপ্পবা ফ্রান্স, ইজিপ্ত অমসুং জোরদাননা তকশিনখিবগা লোয়ননা য়ু এস সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা হীরম অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা অকনবা মওংদা তকশিনখ্রে।

মালেমগী লৈবাক কয়াদসু ইজ রেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন অনীগী মরক্তা থোক্লিবা উংখৎনবগী থৌদোকশিং লোয়শিন্নবা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। ইজরেলগা নক্লনা চৎমিন্নরিবা য়ু এসনসু সিজ ফয়র থম্বদা মপুং ফানা শৌগৎলি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অদুমওইনমক ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন মেটানয়াহুনদি হামাজকী মথক্তা এটেকশিং মখা তানা চখিগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# নেপালদা মেগনিচুইদ ৫.৮ য়ৌনা হাখিবা য়ুহানা য়ুম কয়া অমাং অতা থোকহনখ্রে, মীওই ৬ শোকহনখি

কাথমান্দু, মে ১৯ (এজেন্সী) :

নেপালগী মনুং চনবা সেন্ত্রেল লামজুং দিষ্ট্রিক্তা ঙসি অয়ুক মেগনিচুইদ ৫.৮ য়ৌনা হাখিবা য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা য়ুম কয়া অমাং অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা মীওই ৬ অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না নেস্নেল আর্থক্বেক মোনিটরিং এন্দ রিসার্চ সেন্তরনা ফোঙদোরক্লি।

সেন্তর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঙসি অয়ুক হাখিবা য়ুহা অদুগী ইপিসেন্তরনা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী মনুং চনবা মরসিয়ানদিদা ওইখি। অয়ুক্কী পুং ৫.৪২ রোম তারকপা মতমদা হাখিবা য়ুহা অদুনা মীওই কয়া মীপায়বা পোকনহনখি অমদি য়ুমগী মপান্দা চেম্থোক্লরক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা চঙশিন্দুনা লৈনখি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা হাখিবা য়ুহা অদুগী মতুং মখা তানা অয়ুক্কী পুং ৮.১৬ অমদি ৮.২৬ চৎপা মতমদা মেগনিচুইদ ৪ অমসুং ৫.৩ গী চাংদা অনীরক য়ুহা হাখি। য়ুহা হাখিবগী থৌদোক অদুদা য়ুমগী ফকলাং নিংখাইরকপদগী মনুংদা লৈরম্বা মীওই অহুম শোকখি। অদুগা অহুম অমনা য়ুহা হারকপদগী পাখত্তুনা য়ুমদগী চেম্থোরকপদা তুশিনবদগী শোকখিবনি।



শোক্লবশিং অদু মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চথখ্রে। মখোয় হৌজিক খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়না হোস্পিটাল ওথোরিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। ঙসিগী থৌদোক অদুদা অমাং অতা থোকখ্রবা য়ুম অয়াম্বা লৈবাক অমদি নুঙনা মরোল লোল্লগা শাবা ঙাক্তনি।

লমজুং দিষ্ট্রিক্তা হাখিবা য়ুহা অদুনা থংননা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট মনাং, কাসকি অমসুং গোর্খাদসু চৈথেং খরা ফংহনখি। য়ুহা হারকখিবা অদুদা মীয়াম মীপায়নবদগী কোভিদ-১৯ গী চৎনা কাঙলোনশিং অমত্তা ঙাক্তনা য়ুমদগী চেম্থোক্লরকখি। চেম্থোরক্লরিবা মীওইশিং অদু ফেস মাস্ক অমত্তা শীজিন্নখিদে। মসিনা মরম ওইরগা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না হোস্পিটাল ওথোরিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা লৈবাক অসিদা মেগনিচুইদ ৭.৮ য়ৌনা য়ুহা হাখি। মদুদা মীওই ৯,০০০ লোম শিহনখিবগা লোয়ননা মীওই লীশিং ২২ হেন্না অশোক অপন নংহনখি। চহী অদুগী এপ্রিল থাদা হাখিবা য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী স্কুল য়াওনা য়ুম লাক্ষ ৮ হেন্না অমাং অতা থোকহনখি।